## ইন্দিয়াদগী হৌরকখিবা কোভিদ-১৯ গী অনৌবা কেস ১৫ থেংনখ্রে

বেঙ্কোক, মে ২১ (এজেন্সী) :
ইন্দিয়াদা নৌনা থেংনখিবা কোভিদ-১৯ গী অনৌবা ভেরিয়েন্ট বি.১.৬১৭.২ গী অনৌবা কেস ১৫ অহানবা ওইনা থাইলেন্দদা থেংনখ্রে হায়না ওথোরিটিশিংনা ঙসি ফোঙদোরকখ্রে।

ওথোরিটিশিংনা ফোঙদোরকখিবগী মতুং ইন্না নৌনা থেংনখিবা অনৌবা কেস ১৫ অদুগী মনুংদা ১২ দি বেঙ্কোককী অৰাং থংবা শরুক্তা লৈবা কন্সট্রক্সন সাইটতা থবক শুবা মীওইশিংনি। হায়রিবা কন্সট্রক্সন সাইট অদুগী অকোয়বদা পুন্না ৰার্কর ৬২,১৬৯ রোম লৈরি। মদুগী মনুংদা ঙরাং ৰার্কর ৪০৯ টেষ্ট তৌখিবদা ১২ পোজিটিভ ওইরম্বা থেংনখিবনি। অদুগা ৩ অদুনা কন্সট্রক্সন সাইট অদুগী ইঞ্জিনিয়রশিংনি।

নৌনা থেংনখিবা কোভিদ-১৯ গী অনৌবা কেসশিং অদুনা মরম ওইরগা লৈবাক অদুগী মীয়ামদা চরাংনবা থোকহল্লে। অদুমওইনমক মখা তানা গভর্ণমেন্টনা অনৌবা কোভিদ-১৯ গী ভেরিয়েন্ট অসি শংদাক্তনবা অকনবা মওংদা হোৎনরি হায়না ফোঙদোরল্লি।

## চাইনাদা মেগনিচুইদ ৬ য়ৌনা য়ুহা হাখ্রে

বৈজিং, মে ২১ (এজেন্সী) :
চাইনাগী য়ুনান প্রোভিন্সতা ঙসি অয়ুক্তা মেগনিচুইদ ৬ য়ৌনা য়ুহা হাখ্রেহায়না য়ুনাইটেদ ষ্টেটস জিওলোজিকেল সর্ভেনা ফোঙদোরল্লি। য়ুনান প্রোভিন্সকী দালি সিটিদা য়ুহা অদুগী ইপিসেন্তর ওইখি অমদি কিলোমিটর ১০ লুবা মফমদগী য়ুহা অদু হৌরকখিবনি। চাইনা আর্থক্বেক নেটৱার্ক সেন্তরনা প্রোভিন্স অদুগী মীয়ামদা অৰাংবা বিল্ডিংশিংগী মনাক নক্না পুং খরগী ওইনা লৈতনবা ৱার্নিং তৌখিবগা লোয়ননা মীয়াম্না মীকুপ নাহুম শিংনা লৈনবা খঙহনখ্রে। হৌজিক ফাওবগী ওইনদি মেগনিচুইদ ৬ য়ৌনা হাখিবা অকনবা য়ুহা অদুনা মরম ওইরগা অকায় অতোই নৎত্রগা অশোক অপন থোকহনবগী পাউ লৈত্রে।

## ম্যান্মার ইলেক্তোরেল বোদিনা ওং সান সু চিগী পার্টি দিজোল্ব তৌরগনি: রিপোর্ট




নেপিদো, মে ২১ (এজেন্সী) :
ম্যান্মার জুন্টানা এপোইন্ট তৌখিবা ইলেক্সন কম্মিসন্না ওং সান সু চিগী নেস্নেল লীগ ফোর দিমোক্রেসি (এন এল দি) গী পার্টি দিজোল্ব তৌরগনি হায়না থাজবা য়াবা রিপোর্টশিংনা ফোঙদোক্লরল্লি।

ম্যান্মারদা ফোঙবা ম্যান্মার নাওদা ফোঙদোরকখিবগী মতুং ইন্না ওং সান সু চিগী পার্টি এন এল দিনা মমাংদা পাঙথোকখিবা ইলেক্সনদা অরানবা থবক কয়া চথখি। মরম অদুনা মীয়ামদা নমথাক তৌবা পার্টি অসি মুথৎনবা ফিরেপ লৌখিবনি হায়না মিলিটরি জুন্টানা এপোইন্ট তৌখিবা ইলেক্সন কম্মিসন অসিনা ফোঙদোরল্লি।

ইলেক্সন কম্মিসন অসিগী ৱাঙাঙলোয় থিয়েন সোনা ফোঙদোকখিবদা ওং সান সু চিগী পার্টিনা লৈবাক অদুগী মীয়ামদা নমথাক কয়া তৌদুনা নম্ফুন্দা লৈঙাক পায়খিবনি। মখোয়না চথখিবা থবক থৌওংশিং অদু খঙবনা মরম ওইরগা মিলিটরিনা এন এল দি গভর্ণমেন্টনা ইন্থখিবনি। অথুবা মতমদা মীয়ামগী ওইবা লৈঙাক অমা শেন্নবা হোৎনরি।

লৈবাক অসিগী মীয়াম্নসু মিলিটরি জুন্টা অমদি য়ুনিয়ন ইলেক্সন কম্মিসন্না পায়খৎলকপা থবক থৌরমশিংদা মতেং পাংবগা লোয়ননা অতেনবা মতমগী মনুংদা ইলেক্সন পাঙথোক্লবা হোৎনমিন্নসি হায়না থিয়েন সোনা ফোঙদোরল্লি।

হৌখিবা ফেব্রুৱারী ১ দগী ম্যান্মারদা মিলিটরিনা পৱার পায়খ্রবা মতুং লৈবাক অদুদা পামদবা থৌদোক কয়া থোক্তুনা লাক্লি। মিলিটরিগী থবক থৌওংশিং অদুবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা লৈবাক অদুগী মফম কয়াদা মীয়াম্না খোঙজংশিং চঙশিন্দুনা লাক্লি।

মীয়াম্না চঙশিনখিবা খোঙজংদা মিলিটরি অমদি খোঙজংলোয়শিং মুক্ন বগী থৌদোক কয়া থোকখ্রে। ম্যান্মার মিলিটরিনা ঈহৌ হৌরিবা মীওইশিং অদুবু কন্ত্রোল তৌনবা হোৎনবদা চথখিবা কা হেনবা থৌওংনা মরম ওইরগা হৌজিক ফাওবদা মীওই ৮০০ হেন্না শিহনখ্রে। অদুগা কয়া অমনা ফাজিন্দুনা থমখ্রে।

মশাগী চহী ৭৫ রোম শুরবী ওং সান সু চিসু মিলিটরিনা ফেব্রুৱারী থাদগী দিটেন তৌদুনা থল্লি। মহাক্কী মথক্তা মিলিটরি জুন্টনা মরাল কয়া শীরি। করিগুম্বা মহাক্কী মথক্তা শিরিবা মরাল অদু অচুম্বনি হায়না মিলিটরি কোর্টনা লাউথোরক্লবদি মহাক য়ামদ্রবদা চহী ১৪ জেলগী ফাদোক ওইনা লৈরবা য়ানা লৈরি। অমরোমদা ম্যান্মারদা অচৌবা মতেং পীদুনা লাক্লিবা জপাননা মখা তানা লৈবাক অদুদা মতেং মতম খরগী ওইনা পীবা লেপ্লবা য়াই হায়না জপানগী ফোরেন মিনিষ্টর টোসিমিটসুনা ফোঙদোরল্লি।

## ‘ইন্টরনেট এক্সপ্লোরর কুমজা ২০২২ দগী মথৌ তৌররোই’

সান ফ্রান্সিস্কো, মে ২১ (এজেন্সী) :
মতম অমদা মালেমগী মীয়াম্না য়াম্না পাম্না শীজিন্নরম্বা ব্রাওজর ইন্তরনেট এক্সপ্লোরর লাক্লিবা কুমজা ২০২২ গী জুন থাদগী শীজিন্নরোই হায়না মাইক্রোসোফ্টনা ফোঙদোরল্লি।

হীরম অসিগা মরী লৈননা মাইক্রোসোফট কম্মিতিনা ফোঙদোকখিবদা চহী ২৫ রোম মপুং ফারক্লবা ইন্টরনেট এক্সপ্লোরর হৌজিক্তি মীয়াম্না শীজিন্নবগী চাং য়াম্না হন্থখ্রে। মসিগী মহুত্তা মীওই অয়াম্বনা গুগলগী ‘ক্রোম’ নৎত্রগা এপলগী ‘সাফরি’ ওইনা শীজিন্নরি।




ইন্তরনেট এক্সপ্লোরর অসি অঙনবা মতমদা খ্বাইদগী নুংঙাইনা শীজিন্নখিবা ব্রাওজর মখল অমনি। মীয়াম্না পাম্না শীজিন্নরিবা গুগল ক্রোম দাউনলোদ তৌবা য়াওবদা ইন্তরনেট এক্সপ্লোররদগী তৌনবা মীয়াম্না থেংনখ্রবনি। ব্রাওজর মখল অসি অনৌবা ৱিন্দোশিংগা চানবা ৱাৎলকপদগী শীজিন্নবগী চাং হন্থরকপনি।

হৌখিবা কুমজা ১৯৯৫ দগী হৌরকখিবা ইন্তরনেট এক্সপ্লোররনা য়ুজর কয়াবু মপুং ফানা ইন্টরটেন্ট তৌরমখি। হৌজিক্তি ব্রাওজর অসিগী মতম লোয়শিল্লক্লে অমদি মীয়াম্না শীজিন্নবা লেপ্পা হৌরক্লবনিনা মহাকপু পুরা ওইনা ইন্তরনেটকী লমদগী পোথাহনখিনবা মাইক্রোসোফটনা ফিরেপ লৌখিবনি। লাক্লিবা কুমজা ২০২২ গী জুন ১৫ দগী মাইক্রোসোফট কম্পনিনা ব্রাওজর অসি সপোর্ট তৌররোই।

অদুমওইনমক ইন্তরনেট এক্সপ্লোররদা বেজ তৌবা ৱেভ সাইট অমসুং এপ্লিকেসনশিং লাক্লিবা কুমজা ২০২৯ ফাওবা শীজিন্নবা য়াখিগনি। মরমদি ইন্তরনেট এক্সপ্লোররদা বেজ তৌবা ৱেভ সাইট কয়া মমিং লৈরবা ওর্গনাইজেসনশিংনা শীজিন্নরি।

মালেমগী মীয়াম্না হৌজিক্কী ওইনা খ্বাইদগী পাম্না শীজিন্নরিবা ব্রাওজর অসি গুগল ক্রোমনা ওইরি। চাদা ৬৫ গী চাংদা মীয়াম্না গুগল ক্রোম শীজিন্নৈ। অদুগা এপলগী সফারিনা চাদা ১৯ গী চাংদা শীজিন্নরি।

অনী অসি নত্তবা মালেমগী মীয়াম্না পাম্না শীজিন্নবা ব্রাওজর অনী অমনা ফয়র ফোক্স অমসুং মাইক্রোসোফটকী ইদজনি। হায়রিবা অনী অসিনা মথংশিংনা মীয়াম্না চাদা ৩.৫৯ অমসুং ৩.৩৯ গী চাংদা শীজিন্নরি। হায়রিবা অসি চহী অসিগী এপ্রিল থা ফাওবদা ফংখিবা রিপোর্টনি হায়রি।

## ন্যু য়োর্কতা প্রো ইজরেল অমসুং প্রো পেলিষ্টিনিয়ন প্রোটেষ্টরশিংগী মরক্তা অকনবা মওংদা উংখৎনখ্রে

ন্যু য়োর্ক, মে ২১ (এজেন্সী) :
ইজরেল অমসুং হমাজকী মরক্তা সিজ ফয়রগী ৱারী শান্নবা হৌখিবগা ইকান কান্নদনা ন্যু য়োর্কতা প্রো ইজরেল অমসুং প্রো পেলিষ্টিনিয়ন প্রোষ্টরশিংগী মরক্তা অকনবা মওংদা উংখৎনখিবগা লোয়ননা য়ৈখাই থিনগাইবগী থৌদোক ফাওবা চথখি হায়রি।



হৌখিবা শগোলশেন নুমিত্তা হমাজনা ইরাই নুমিত্তগী নাকল অনীগী মরক্তা খূৎ থোক্লবা লেপ্লগনি হায়না লাউথোকখিবনি। হমাজনা হীরম অসিগী মতাংদা লাউথোক্ত্রিঙৈগী মাংওইননা ন্যু য়োর্ক সিটি টাইমস স্কৱারদা নাকল অনীগী প্রোটেষ্টরশিং থোরক্তুনা অমনা অমগী মায়োক্তা হুন্দুনা ঙাঙনখিবগা লোয়ননা উংখৎনবা হৌরকখিবনি হায়না ন্যু য়োক পুলিস দিপার্টমেন্টকী মায়কৈদগী ফোঙদোরল্লি।

হীরম অসিগা মরী লৈননা পুলিসনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা নাকল অনীগী মরক্তা উংখৎনরিঙৈ মরক্তা খঙহৌদনা কার তোংদুনা লাকখিবা মীওই খরনা য়ুমদা শেম্বা পোকখায়বা য়াবা মচাকশিং লংশিল্লকপদগী মীওই অমা শোকখ্রে। মহাক খুদক্তা মনাক নকপদা লৈবা হোস্পিটাল অমদা পুখত্তুনা ট্রিটমেন্ট চথখ্রে। মহাক্কী হকচাংগী ফীভম নোর্মেল ওইরে হায়রি।

ঙরাং থোকখিবা থৌদোক অদুগা মরী লৈননা এন ৱাই পি দিগী আর্সন ইনভেষ্টিগেসন স্কৱাদনা থিজিনবগী থবক চথবা হৌখ্রে। থৌদোক অদুগা মরী লৈননা চেন্নরম্বা য়াই হায়না চিংনবা মীওইশিং এন ৱাই পি দিনা ফাগৎপা হৌরে হায়না পুলিসকী ৱাঙাঙলোয় অমনা ফোঙদোরল্লি।

## য়ু কেদা ইন্দিয়ান কোভিদ ভেরিয়েন্টকী কেস মশীং হেনগৎলক্লি



লন্দন, মে ২১ (এজেন্সী) :
ইন্দিয়াদা নৌনা থেংনখিবা কোভিদ-১৯ গী অনৌবা ভেরিয়েন্ট বি১.৬১৭.২ অসি য়ু কেদসু শংদাকপগী চাং খঙহেন হেনগৎলক্লি হায়না ওফিসলশিংনা ফোঙদোরল্লি।

হীরম অসিগা মরী লৈননা ইংলেন্দগী পব্লিক হেল্থ দিপার্টমেন্টনা ফোঙদোকখিবদা মমাং চয়োলদা য়ু কেদা ইন্দিয়াদগী হৌরকখিবা কোভিদ-১৯ গী অনৌবা ভেরিয়েন্ট অসিগী কেস ১,৩১৩ থেংনখি। মদুগী মমাংগী চয়োলদনা কেস মশীং ৫২০ থেংনখি। অদুবু হন্দক্কী চয়োল অসিদা খঙহৌদনা ইন্দিয়াদগী শন্দোরকখিবা কোভিদকী অনৌবা ভেরিয়েন্টকী কেস ৩,৪২৪ থেংনখিবনি হায়রি।

পব্লিক হেল্থ ইংলেন্দগী সাইন্টিষ্টশিংনা হীরম অসিগা মরী লৈননা ফোঙদোকখিবদা লৈবাক অসিদা নৌনা শন্দোরল্লিবা কোভিদ-১৯ গী অনৌবা কেস অসিগী মতাংদা থিজিনবা হৌখ্রে। অমদি মখা তানা কেস মশীং হেনগৎলক্লবদি লোকদাউন থমজিল্লবা য়ানা লৈ হায়রি। প্রাইম মিনিষ্টর বোরিস জোন্সনসু ওইরক্লিবা ফীভম অসিদা ইংলেন্দগী মীয়াম্না য়াম্না চেকশিন্নবা লৈনবা আপীল তৌরল্লি।

## পার্সিয়ন লিওপার্দ জুরা অমা পাকিষ্টানদা থেংনখ্রে

ক্বেটা, মে ২১ (এজেন্সী) :
মালেমদা অতাংবা মখলগী শাশিংগী মনুং চল্লিবা পর্সিয়ন লিওপার্দ জুরা অমা অহানবা ওইনা পাকিষ্টানদা থেংনখ্রে হায়না ওফিসলশিংনা ফোঙদোরল্লি।

হীরম অসিগা মরী লৈননা বালোকিষ্টান প্রোভিন্সকী সেনিয়র কঞ্জরবেসন ওফিসল সারিফুদিন বালোচনা ফোঙদোকখিবদা লিওপার্দ জুরা অদু হজরগন্দি ৱাইল্ড লাইফ পার্কতা রেঞ্জরশিংনা অহানবা ওইনা থেংনরকখিবনি।

পাকিষ্টানদা হন্দক থেংনখিবা পার্সিয়ন লিওপার্দ জুরা অসি নত্তবা অতোপ্পা মখলগী পার্সিয়ন লিওপার্দশিং লৈত্রি। নৌনা থেংনখ্রবা লিওপার্দ জুরা অদু চেকশিন্না ঙাক শেন্নবগীদমক মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টশিংনা পায়খৎফম থোকপা থবকশিং পায়খৎপা হৌখ্রে।

রেঞ্জরশিংনসু কেমেরা অমসুং বাইনোকুলরশিং শীজিন্নদুনা শা মখল অদুবু কুপ্না শেন্নরি। পার্সিয়ন লিওপার্দশিং অসি পেন্থরগী সব স্পেসিসশিংনি। মখোয়গী হৌরকফমসি মরু ওইনা টর্কি, ইরান, অফঘানিষ্টান অমসুং কোকাসসনি। হায়রিবা শা মখল অসি মালেমদা ফংবা খ্বাইদগী হেন্না তাঙবা শাশিংগী মনুংদা অমনি।

ইন্তরনেস্নেল য়ুনিয়ন ফোর কঞ্জরবেসন ওফ নেচরনা হায়রিবা শা মখল অসি মুৎখিবা য়াবগী অকিবা লৈরবা অমনি হায়না ফোঙদোকপা লৈখ্রে। মালেমদা শা মখল অসি মশীং ১০০০ ফানা লৈরমগনি হায়বা থাজদ্রে হায়না বালোচনা মখা তানা ফোঙদোরল্লি।

## অর্টিক নেসন্সশিংনা গ্লোবেল ৱার্মিং থেংননবা অমত্তা ওইনা হোৎনমিন্নবদা য়ানবা পুরকখ্রে

জেনেভা, মে ২১ (এজেন্সী) :
মালেমদা গ্লোবেল ৱার্মিংনা মরম ওইরগা মীওইবা খুন্নাইনা ওইথোরক্কনি হায়না থাজরুদ্রবা অচৌ অচৌবা উন মপৈশিং শৌদোকপা মীয়াম্না থেংনরে। ওইরক্লিবা ফীভম অসিদা মালেমগী লৈবাকশিংগী ওইবা ফিরেপ অমা চপ চানা লৌহৌদ্রবদি তুংদা খুদোংথিবা কয়া থোরকপা য়াবগী অকিবা লৈবনা মরম ওইরগা অর্টিক নেসন্সশিংনা গ্লোবেল ৱার্মিংবু অমত্তা ওইনা থেংনমিন্নবা ফিরেপ লৌখ্রে হায়রি।

হীরম অসিগা মরী লৈননা তোঙান তোঙানবা লৈবাকশিংগী মিনিষ্টরশিংগী ওইবা অখন্নবা মীফম অমা পাঙথোকখ্রবা মতুং য়ু এস সেক্রেটরি ওফ ষ্টেটস এন্টোনি ব্লিনকন্না মহাক্কা থাক মান্নবা কানাদা, দেনমার্ক, ফিন্লেন্দ, আইজলেন্দ, নোরৱে, রুসিয়া অমসুং স্বিদেনগী কাউন্সিলশিংদা ফোঙদোকখিবদা অর্টিক নেসন্সশিংনা লৌরিবা ফিরেপ অসি য়াম্না থাগৎনিংঙাইনি। মসিদা য়ু এস য়াওনা অতোপ্পা লৈবাকশিংনা মপুং ফানা শৌগৎকনি।

গ্লোবেল ৱার্মিংনা মালেমদা অচৌবা চৈথেং পীরল্লি হায়বসি মীপুম খুদিংমক্না য়ানরবা ৱাফম অমনি। মালেমগী লৈবাকশিংনা অমত্তা ওইনা প্রোব্লেম অসি সোল্ব তৌনবা হোৎনগদবনি হায়রি।

## সিজ ফায়র লাকখ্রবা মতুং হমাজনা মায় পাক্লে হায়না লাউথোকখিবগা লোয়ননা হরাও তয়াম্বা ফোঙদোক্লখ্রে



গাজা সিটি, মে ২১ (এজেন্সী) :
ইজরেল অমসুং পেলিষ্টিনিয়ন অনীগী মরক্তা মতম শাংনা খূৎ থোক্লদুনা লাকখ্রবা মতুং ইন্তরনেস্নেল কম্যুনিটিশিংনা অকনবা প্রেসর পীরকপদগী নাকল অনীগী মরক্তা সিজ ফায়র থমখ্রবা মতুং হমাজকী সেনিয়র ফিগরশিংনা হরাও তয়াম্বা ফোঙদোক্লখিবগা লোয়ননা মখোয়না মায় পাক্লে হায়না লাউথোকখ্রে।

গাজা ষ্ট্রিপতা লৈবা ইস্লামিস মুভমেন্টকী পোলিটিকেল ব্যুরোগী সেকেন্দ মোষ্ট সেনিয়র মেম্বর খালি অল হয়ানা ফোঙদোকখিবদা গাজা ষ্ট্রিপতা সিজ ফয়র লাকখিবা অসি হমাজকী ওইনা চাওনা মায় পাকপনি। ইজরেল এয়র ষ্ট্রাইক্না মরম ওইরগা অমাং অতা থোকখ্রবা য়ুমশিং অমুক হন্না শেমগৎ শাগৎপগী থবক চথবা হৌরগনি।

ইন্তরনেস্নেল কম্যুনিটিশিংনা ইজরেল অমসুং পেলিষ্টিনিয়ানশিংগী মরক্তা থোক্লিবা উংখৎনবগী থৌদোকশিং অদু লোয়শিন্নবা অকনবা মওংদা প্রেসর পীরকখ্রবা মতুং ইজিপ্তুনা শীন্দুনা নাকল অনীগী মরক্তা সিজ ফায়র তৌনহনখিবনি। ইজিপ্তুনা নাকল অনীগী মরক্তা সিজ ফায়র লৈহন্নবা হোৎনবদা গাজাদা খ্বাইদগী মপাঙ্গল কল্লিবা অর্মদ গ্রুপ ইস্লামিক জিহাদনসু অচৌবা মতেং পাংখি।

থা অসিগী ১০ দগী হৌরগা ইজরেল অমসুং পেলিষ্টিনিয়ন অনীগী মরক্তা উংখৎনবগী চাং হেনগৎলকখিবনি। ইজরেলনা থা অসিগী ১০ দগী হৌরগা পেলিষ্টিনিয়নদা চথখিবা এয়র ষ্ট্রাইকশিংদা হৌজিক ফাওবগী ওইনা অঙাং ৬৫ য়াওনা মীওই ২৩২ শিহনখ্রে। অদুগা মীওই ১৯০০ রোম অশোক অপন নংহনখি হায়না গাজাগী হেল্থ মিনিষ্ট্রিনা ফোঙদোরল্লি।

নাকল অনীগী মরক্তা য়াম্না তোয়না খূৎ থোক্লবগী থৌদোক্না মরম ওইরগা মফম অদুদগী মীওই ১,২০,০০০ লাঞ্জেন্নহনখ্রে হায়না হমাজ সেক্যুরিটিনা ফোঙদোরল্লি। অমরোমদা ইজরেল আর্মীনা ফোঙদোরকখিবদা হমাজ অমদি গাজদা লৈবা ইস্লামিষ্ট অর্মদ গ্রুপশিংনা ইজরেলদা রোকেট ৪,৩০০ লোম হেন্না কাপশিল্লকখি।

ইজরেলগী আইরন দোম এয়র দিফেন্স সিষ্টেমনা কাপশিল্লকখিবা রোকেটশিং অদু লৈমায় য়ৌরক্ত্রঙৈদা নোংথক্তা অয়াম্বা মাঙহনখি। মদুনা মরম ওইরগা ইজরেলদা মীশিমীনা অমদি অশোক অপন কা হেন্না থোকখিদে। হৌজিক ফাওবদা ইজরেলদা খূৎ থোক্লবগী থৌদোক্না মরম ওইরগা অঙাং ২ য়াওনা মীওই ১২ শিহনখি হায়রি।

## সিজ ফায়র তৌনখিবা অদুবু থাগৎপা ফোঙদোরল্লি

ৱাশিংটন, মে ২১ (এজেন্সী) :
ইজরেল অমসুং পেলিষ্টিনিয়ন অনীগী মরক্তা নুমিৎ ১১ নি রোম অকনবা মওংদা খূৎ থোক্লখ্রবা মতুং ঙসি নাকল অনীগী মরক্তা সিজ ফায়র তৌনখিবা অদুবু য়ু এস প্রসিদেন্ট জো বাইদেননা থাগৎপা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা নাকল অনীগী ফিরেপ অদুবু তরাম্না ওকই হায়না বাইদেননা ফোঙদোরল্লি।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা ইজিপ্তুনা নাকল অনীগী মরক্তা য়াশিন্নবা পুরক্লবা হোৎনবদা লৌখিবা থৌদাং অদু থাগৎপা ফোঙদোকই। অমদি মখা তানা নাকল অনীগী মরক্তা পামদবা থৌদোকশিং থোকহল্লক্তনবা হোৎনবদা ইজিপ্তুনা মখা তানা অচৌবা থৌদাং লৌগনি হায়বগী থাজবা লৈ হায়না ফোঙদোরল্লি। মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা ইজরেল অমসুং হমাজনা সিজ ফয়র তৌনরিবা অসি মতম শাংনা ওইহন্নবা খুদিংমক্না হোৎনমিন্নসি হায়রি।

## মালেমদা কোভিদনা শোকহল্লবা লৈবাকশিং

| # | Country, Other | Total Cases | New Cases | Total Deaths | New Deaths | Total Recovered | Active Cases |
|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | World | 165,933,444 | +93,871 | 3,446,863 | +2,406 | 146,652,803 | 15,833,778 |
| 1 | USA | 33,833,181 | | 602,616 | | 27,358,651 | 5,871,914 |
| 2 | India | 26,031,991 | +1,317 | 291,365 | | 22,712,735 | 3,027,891 |
| 3 | Brazil | 15,898,558 | | 444,391 | | 14,385,962 | 1,068,205 |
| 4 | France | 5,568,551 | | 108,314 | | 5,162,624 | 297,613 |
| 5 | Turkey | 5,160,423 | | 45,626 | | 4,989,787 | 125,010 |
| 6 | Russia | 4,983,845 | +8,937 | 117,739 | +378 | 4,601,120 | 264,986 |
| 7 | UK | 4,455,221 | | 127,701 | | 4,285,888 | 41,632 |
| 8 | Italy | 4,178,261 | | 124,810 | | 3,753,965 | 299,486 |
| 9 | Germany | 3,638,504 | | 87,639 | | 3,374,600 | 176,265 |
| 10 | Spain | 3,631,661 | | 79,601 | | 3,356,272 | 195,788 |
| 11 | Argentina | 3,447,044 | | 72,699 | | 3,035,134 | 339,211 |
| 12 | Colombia | 3,177,212 | | 83,233 | | 2,979,233 | 114,746 |
| 13 | Poland | 2,863,031 | +1,679 | 72,691 | +191 | 2,618,031 | 172,309 |
| 14 | Iran | 2,815,882 | +11,250 | 78,194 | +200 | 2,304,824 | 432,864 |
| 15 | Mexico | 2,390,140 | +2,628 | 221,080 | +230 | 1,909,187 | 259,873 |
| 16 | Ukraine | 2,175,382 | +4,984 | 49,101 | +202 | 1,929,039 | 197,242 |
| 17 | Peru | 1,910,360 | | 67,253 | | 1,720,665 | 122,442 |
| 18 | Indonesia | 1,764,644 | +5,746 | 49,073 | +186 | 1,626,142 | 89,429 |
| 19 | Czechia | 1,656,874 | +672 | 29,990 | +5 | 1,603,764 | 23,120 |
| 20 | South Africa | 1,625,003 | | 55,568 | | 1,531,993 | 37,442 |
| 21 | Netherlands | 1,615,500 | | 17,506 | | 1,400,266 | 197,728 |
| 22 | Canada | 1,347,445 | | 25,111 | | 1,262,366 | 59,968 |
| 23 | Chile | 1,308,311 | | 28,169 | | 1,241,426 | 38,716 |
| 24 | Philippines | 1,171,403 | +6,258 | 19,763 | +141 | 1,096,109 | 55,531 |
| 25 | Iraq | 1,156,137 | | 16,102 | | 1,067,387 | 72,648 |
| 26 | Romania | 1,074,781 | +484 | 29,826 | +49 | 1,030,137 | 14,818 |
| 27 | Sweden | 1,055,173 | | 14,351 | | 908,926 | 131,896 |
| 28 | Belgium | 1,041,706 | +3,192 | 24,794 | +26 | 926,877 | 90,035 |
| 29 | Pakistan | 893,461 | +3,070 | 20,089 | +102 | 810,143 | 63,229 |
| 30 | Portugal | 843,729 | | 17,014 | | 804,522 | 22,193 |
| 31 | Israel | 839,263 | | 6,396 | | 832,295 | 572 |
| # | Country, Other | Total Cases | New Cases | Total Deaths | New Deaths | Total Recovered | Active Cases |
| 32 | Hungary | 801,025 | +657 | 29,427 | +47 | 661,564 | 110,034 |
| 33 | Bangladesh | 785,194 | | 12,284 | | 727,510 | 45,400 |
| 34 | Jordan | 728,549 | | 9,328 | | 710,445 | 8,776 |
| 35 | Serbia | 708,878 | | 6,739 | | 684,206 | 17,933 |
| 36 | Japan | 704,159 | +5,721 | 12,046 | +106 | 621,608 | 70,505 |
| 37 | Switzerland | 687,353 | +1,201 | 10,766 | +6 | 631,406 | 45,181 |
| 38 | Austria | 640,293 | +677 | 10,534 | +7 | 620,837 | 8,922 |
| 39 | UAE | 552,920 | +1,490 | 1,644 | +2 | 532,910 | 18,366 |
| 40 | Lebanon | 537,437 | | 7,658 | | 505,348 | 24,431 |
| 41 | Morocco | 516,091 | | 9,109 | | 504,439 | 2,543 |
| 42 | Malaysia | 498,795 | +6,493 | 2,149 | +50 | 444,540 | 52,106 |
| 43 | Nepal | 497,052 | +8,407 | 6,024 | +177 | 374,836 | 116,192 |
| 44 | Saudi Arabia | 437,569 | | 7,214 | | 421,726 | 8,629 |
| 45 | Bulgaria | 416,055 | | 17,447 | | 371,555 | 27,053 |
| 46 | Ecuador | 415,255 | | 20,022 | | 354,499 | 40,734 |
| 47 | Slovakia | 388,529 | +138 | 12,280 | +8 | 372,750 | 3,499 |
| 48 | Greece | 385,444 | | 11,641 | | 340,612 | 33,191 |
| 49 | Belarus | 383,302 | +1,756 | 2,752 | +10 | 373,391 | 7,159 |
| 50 | Panama | 372,800 | | 6,314 | | 360,665 | 5,821 |
| 51 | Kazakhstan | 368,748 | +2,267 | 4,124 | | 329,918 | 34,706 |
| 52 | Croatia | 353,217 | +525 | 7,856 | +28 | 340,728 | 4,633 |
| 53 | Bolivia | 343,065 | +2,858 | 13,780 | +87 | 277,711 | 51,574 |
| 54 | Georgia | 335,769 | +1,064 | 4,569 | +29 | 316,389 | 14,811 |
| 55 | Tunisia | 331,674 | | 12,089 | | 292,825 | 26,760 |
| 56 | Azerbaijan | 331,477 | | 4,828 | | 318,502 | 8,147 |
| 57 | Paraguay | 324,063 | | 8,012 | | 268,336 | 47,715 |
| 58 | Palestine | 304,532 | | 3,448 | | 295,643 | 5,441 |
| 59 | Costa Rica | 296,632 | | 3,736 | | 226,667 | 66,229 |
| 60 | Kuwait | 295,861 | | 1,711 | | 281,920 | 12,230 |